# নহাশিংগী অখননবা কাখল : – নহা ফাল

কাৰিগুম্বা নহাক্না নুমীৎকুম মঙাল থোক্না হিংবা পাম্লবদি নুমীৎকুম্না হান্না চাকচবা মথৌ তাই। – অব্দুল কলাম

## ফ্লাশবেক



নীংশিংবা হায়বা লায়না অসি নারমদ্রবদি কোম্লপ-কোম্লপ, লাইতক-লাইতক ইচম চমথোক্না লেল্লমগদবা মাল্লি। অদুবু য়াবা কৌবা মরৈতে। ঙসিগী থৌদোক ৱাথোক মরকসিদা ফৎ হেক্তা লিংশিল্লক্লগা অমুকসু নোকহল্লি, অমুকসু নুংশুক্নহল্লি। পাইনৰুদ গার্দেনদগী অচিকপা নমহৎলিবা সুরবালাগী ৱাহৈশিংনা গুনেশ্বরবু নীংশিংবগী লাইহৌ হৌহল্লি। চহী ২৫/৩০ মুক্কী হৌখ্রবা থৌদোকশিং মীৎমাঙদা অমমমতা ওইনা ফন-ফন চোংথোকহল্লকই।

নাগামপালদা লৈবা য়ুম্থুশিংনা মনা-মশিং থাদুনা ইংখোল কোইববুদি মী কোইবনা শেন্দোং ফংবা হেল্লি হায়দুনা ভারা শান্নরকপা, মশানা লৈনবা য়ুম ফাওবা শান্দোক্লগা য়ুম্থুনা য়েনখাদা তপথরগা লৈনরকপা তাঞ্জাদুদনি গুনেশ্বরসু হোষ্টেল ফংদবদগী ভারা থিরকপদা নাগামপাল কংজাবীদা লৈবা সুরবালা খোইগী মখা শঙ্গোই কা মচা অমদা লৈরকখিবনি। মফমদুদনি মহাক্কী মমিং ফাওবা গুনেশ্বরদগী হোজ াই রোমিও হায়না ওনখিবা। ময়ুমদনা তা গুনেশ্বর, থোঙ্গাল লাল্লগনা হোজাই রোমিও। ভারা কাগী থোঙনাওগা নিঙোল কয়াগী থোঙনাওগা পৌরোল অমখক্তা ওইখিবা থৌদোক, ৱার সিমিত্রিদা, য়েনখাদা লোইবা খম্বা নাইদনা শান্নখিবা, খৎনবা হৌবা ৱাঙাঙ, শুগৎপা মতৌ... ৱাখলদদি তগৎ-তগৎ তেক্লি। পুন্সিগী য়েন্নিংথানা ইঙ্গিৎ পীরকপদা কেজনা ইবা চিঠিদা মখুম চেৎহৌদবা মুকফু তুশিল্লকপগুম মতাং চাদনা শিৎলকপা উফুল-ৱাইফুল চেনবা উরু-উরু উংবা নোংলৈ-নুংশিৎনা মবান্নিগী নুংশি ৱারীগী চেনাশিংদু খা-লাই মথোং মরম খঙদনা হুমদোকখিবা থৌদোক অদু নীংশিংলুবদা গুনেশ্বরদু কপ্লাক নীকচৈ।

নুমীৎতু গুনেশ্বর য়াম্না মশা শোকথনা প্রক্টিকেল লোইরগা খোয়াথোং পুখ্রি অচৌবরোমদগী ভারাগী য়ুম য়ৌনবা ফাওজিল্লকপদা সুরবালানা থোঙ্গাল মরুমদগী মখোয়গী পোকেট দোগ পোপীদুদা শু-শু থৌজিল্লি। মপুগী অচানবা হূইদুনা চিক্কদবগী গৌ গৌ খোংই। গুনেশ্বরদু থোইনা থৌশারুদে। নাপী চাবীনা (হূইসে অচাপোৎনি খন্দুনা) চিক্লবসু হূ কাগদবা লৈতে খন্দুনা গেটতু শৎ লানশিল্লকপদা পোপীনা তাপ লাকই। মখোঙ ওইদা। হে! চিকইনে চিকইনে। মখোঙ ওইদুনা কন্থোকপোই কাউবোই তৌবদা পোকেট দোগ অদু খোংলদুনা সুরবালাগী মনাক্তা চেনশিল্লি। হূই অদুবু থৌগৈ থৌজিল্লুরগা ঈ থোকপা উবদা পাখৎচৈ। করম তৌনি সিদি। ঈ থোক্রবমি? তৌফম লাকফম খঙদনা মখুৎ অনীদু ফরা ফরা হাইদুনা লৈবদুদা ককচিংদগী ভারাদা লৈমিন্নবা দোরেননা মতাং চারে খন্দুনা চেন্থোক্লক্লগা হূইনা চিকপসিদি নুমীৎ ৭, থা ৭ অমদি চহী ৭ হায়নরিবনি। ঐখোয় ভাইসি মরাইবক থিখ্রেদা। আ হোজাইদগী মতু মমান ইপোন পোন মহৈ তন্বা লাকচবসিদা তাওবা হূইবু থৌজিন্দুনা য়াইবী থৱায় লৌগে তেমশিংলবদা আ লোয়ালমদগী লাকপা ঐখোয়না করি তৌবা ঙমগনি। মখা চত্থরকই, সিনেমা, দ্রামা য়েংদেনে, য়ারোইনে, শুগৎতুনা খাংবনা ওইবা য়ারোই। অয়োইমা অয়োইমা হায়রদুনা শ্বরকদু থবেৎ থবেৎ হোল্লুনে ইতাও নঙবু। হূইনা চিক্লবদি হূইবু লেম্না থাদোকপদি কদায়দগী য়ারনি। হূইগং থাংদুনা অয়ুক-নুংথিল নুমীদাং সেবা চঙহনবা তাবনি। পাখৎলবা সুরবালানা তা দোরেন ! দাক্তরদা পুনবা তৌসিরা ? য়ানিদা য়ানিদা করিসু তৌরোই। দোরেন, মসি নুপীসিদি হূইনা চিকপবু থথারো, চেঙকোক্তা মাইরেন তোপহনগদবনি।

ইমুংদা প্রপ প্রপ চেনশিল্লুরগা চেঙফুদগী চেঙ খরা পায়রগা থোরকই তফিং তফিং সুরবালা। ময়ানা প্রোক প্রোক শাইরবা চেঙশিং অদুনা গুনেশ্বরগী অশোকপা মখোঙ ওইদুদা থক থোমজিল্লি। মসি মৈতৈ ইপা-ইপুগী এন্টি রেবিষ্ট ভেক্সিননি হায়রদুনা ফি মচেৎ অমনা য়েৎশিন্নবা লাক্লে। তাঞ্জাদুদা ঙসাইদগী তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈরিবা দোরেননা সুরবালাদা, হূইনা চিকপগী হূদি নঙগী নতিল তোৎলবা চেঙনা মহূ হাংখ্রে। ঐখোয় ভাইনা থম্মোয় মচেৎ অমা খুল্লক্লগা মাগী অকায়বা থম্মোয়দা চান্ননি চান্নরোই খঙদনা থক নপশিল্লুবদা রিএক্সন থোক্লক্তুনা থম্মোয় শৌবোম্বী কারিসে করম্বা হিদাক থাগনি। প্রপ প্রপ লায়েংহৌদ্রবদি হূই অঙাওবা ওল্লক্তুনা নঙোন্দা অমুক চিকচরক্কনি। সুরবালা, তা দোরেন খঙদেদা করিবু হায়গদবনো নুংশি হায়দোকপদা অসুক লিকপা নুপাসিদি থম্মোয় শৌবোম্বী কাবু কামন্দে। অসুম হেঞ্জিল্লক্লবদি মচেৎ মচেৎ মফোল থোরকপা ফাওবা য়ারিপোৎনি।

কিবনা মক্রাংদা মমৈ লোৎলিবা পোপী য়েংলগা চৈনা খাংলিবা গুনেশ্বরনা গুদ বোই ! অমুক্কা চিক্লোলাওনে য়েৎথংবা খোঙসিদা।

❐ *আর কে নরেন্দ্র*

# য়ূমদা অমুক্তং চা থকমিন্নসি হায়বিরকখিবা অদুবু চৎপা ঙমহৌদবগী অৱাবা অদুদি অদুমক লৈহৌরগনি

**নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা** *লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা অইবা হেরোজিৎ নাওরোইবমদা কৎচবা*



'নীংশিঙবা থোক্তনা কাউরুরবা, থাদোক্লগে, ঙসি ইচুম চুম্না ইরাল ওইহৌরে, মীৎলু অনীগী ৱারীনি, ঐবু হিংখোরা ঐবু শিখোরা, নঙনা নোকপা য়েংনিংঙই, নুংশিরুবা থম্মোয়না ইরাল ওইহৌরে, হায়খিবদাই নঙনা, ঙম্মদি ফাজৌ, লুকথদুনা' হায়বনচিংবা মীয়ামগী থম্মোয়দা শক্ল-শোন্নরিবা ঈশৈশিং অসিগী অইবা হেরোজিৎ নাওরোইবম লমদম অসিগী অতাংবা থৱানমিচাক অমনি অদুবু য়াম্না নহা ওইনা তাইবঙপান থাদোক্তুনা চৎখ্রে। লৈখিদ্রবা অইবা হেরোজিৎ নাওরোইবম ফজরবা ঈশৈ ময়েক ইবা অইবা অমা ওইবতা নত্তনা 'শন্থ্রে মনাগী চেংহী মনম, ইমাগী লমন শিংঙমদ্রে, নামাসে চফু হুরানবিনি, হি য়াই, ইফুৎনচিংবা ফিল্মশিং দিরেক্ট তৌখিবগা লোয়নননা ধর্ম্মগী মিংদা ইমাগীদমক, নামাসে চফু হুরানবিনি, পিথাদোই অহুম, হু চাগে, মিরাং মহুম, নঙনা নোকপা য়েংনিংঙই, নুংশিৎ মপি, শোইনাইরবা থম্মোয়' নচিংবা লৈবাক মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা ফিল্ম কয়া ইরমখিবা মীশক অমনি। মহাক চহী ৫৪ শুখ্রে।

লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা অইবা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী দ্রমাগী এপ্রুভ রাইটর, ফিল্ম রাইটর, ঈশৈ ময়েক ইবা হেরোজিৎ নাওরোইবম কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় লৈরক অচৌবদা লৈবা নাওরোইবম নোদিয়াচান্দ অমদি কাঙবম নিংঙোল নাওরোইবম ওংবি মোমোনগী মচানি। মহাক্কী মচিন-মনাউ তরেৎনি। মহাক্কী লোয়নবিগী মমিংনা ৱারেপম নিংঙোল নাওরোইবম ওংবি রাধা কৌই। গ্রিতি অমদি নিতি কৌবি মচানুপী অনী লৈহৌরি। হেরোজিৎ নাওরোইবম মমিং লৈরবা রেদিও দ্রমা, ফিল্ম স্ক্রিপ রাইটর, ঈশৈ ময়েক ইবা, ফিল্ম দিরেক্ট তৌবা খক নত্তনা হৌরক্লিবা মীরোল কয়া অমসু লেপ্পা লৈতনা তাকপী-তম্বিবগী থবক তৌরম্বা মীশক অমনি।

মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা ইবা য়াম্না পাম্না হৌরকখি। মহৈ তম্বা হৌরকপা মতমদগী হৌনা স্কুল-কোলেজগী মেগাজিন কয়াদসু ইরকখিবা মীশক অমনি। অদুবু ইনখৎলকপা মতমদা চাওরাক্লা চহী ৩ লোম য়াম্না কন্না নাদুনা লৈবা মরম্না য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈরকখি। মদুনা ইনবগী থৌনা অমা পীখিবা হায়বদু ওইখি। ইবা পামজরবসু অইবা অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙবিনবা অমদি ওল ইন্দিয়া রেদিওগী এপ্রুভ রাইটর অমা ওইনবা হোৎনবদা মীৎতগী পী তাদুনা হোৎনখিবতা নত্তনা অৱাবা কয়াসু খাঙখিবা মীওই অমনি। মহাক মশানা ইজবা লীলা-দ্রামা রেদিওদা শান্নরক্কনি হায়না মমান্নবশিংদা হায়খ্রবা মতুংদা শান্নবিরক্তবদগী ইকায়বা নঙখিবা য়াওদবসু নত্তে। ইনবা হোৎনরকপদা থেংনরকখিবা অৱাবশিং, ইরবা মতুংদা ফজনা রেসপোন্স ফংদবা, হিংনবগী লানফমদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরকপা অমদি ইমুং-মনুংনসু ইবগী লম্ অসিদা সপোর্টসু মপুংফানা ফংলক্তবা মরম্না ইবগী থবক অসি পুন্সিগী ওইনা লেপ্লগে হায়না ফাওবা ৱাশকখিবগী থৌদোক লৈখি। অদুবু ইবা পামজবা মশামক্না করিগী ইবা লেপখ্রিবনো হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না খঙবিররোই হায়বনচিংবা ৱাখল কয়ামরুম তরেৎ-তরা থোক্না খল্লবা মতুংদা ৱাশক কাইরবসু কায়না অমুক হন্না ইরগে খন্দুনা তপ্লা-তপ্লা অমুক ইবা হৌরকখি। মহাক্না ইবা দ্রমা, ফিল্ম অমদি ঈশৈ মীয়াম্না য়াম্না পাম্নরকখিবগা লোয়ননা নহা কয়াগী থম্মোয়দা মতম পুম্বদা য়ৈদুনা লৈবা ৱাহৈ অমা হায়বদু ওইখি। পামজনা ইজরিবা থবক অদু লেপ্পা লৈতনা তৌনবা হোৎনরবসু ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রবা মেনখৎপা ঙমদবনা মহাক্কী লোয়নবি ফাওবা মপামদা চৎখিবদগী অহীং কয়া তুম্ফম চাফম খঙদনা লেনখিবসু য়াওখি। পুন্সিগী চৎলিবা লম্বী অদুদা নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া থোকখ্রবসু মহাক্না কনাবুসু ৱারৌরুবগী মহুৎতা মখোয়শিং অদুনা ইনবগী মচাক কয়া পীবিরে হায়না ইবরোমদা ওইনা অদুমক মায় ওনশিন্দুনা নিংহন্নবা লৈতনা ইরকখি। অসুম্না হোৎনরকপনা ঙসি ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা ফিল্মগী ৱারী, দ্রমা অমদি ঈশৈ কয়া ইবা ঙল্লিবা অসি নুপী ৩০ হেন্না নুংশিনরকপগী থেংনখিবা এক্সপিরেন্স কয়া অদুনসু ইবা ঙমখিবনি হায়না য়াম্না থম্মোয় শেংনা ফোঙদোক্লমখিবা মীশক অমনি। ৱাফম অসি মহাক্কী লোয়নবীনা তারবদি শাওরোইদ্রা অদুমক ইবা য়ারব্রা হায়না হংবদা করিসু কায়দে নতৈমনসু শাওরোই, মহাক মশামকসু খঙবনি হায়না ফোঙদোক্লমখিবা অইবা অমা ওইবতা নত্তনা থৌনা লৈবা অচুম্বা পাম্বা মীশক অমনি।

লৈবাক মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা ফিল্ম, দ্রামা, লাইরিক অমদি ঈশৈ কয়া ইখ্রবসু ঙসি ফাওবদা এৱার্দ কয়া ফংখিবা হায়বদুদি ওইখিদ্রে। মসিগী মরম কয়া অমদি লৈরম্বা য়াই অদুবু ইবদা ওইনা ঙাওজবা অমদি এৱার্দকী ওইনা থোইনা খল্লুদবা মরম্না এৱার্দকীদমক এপ্লাই কয়া তৌখিদে হায়নসু মহাক মশামক্না ফোঙদোকপীরমখি। অদুবু নঙনা নোকপা য়েংনিংই হায়রিবা ফিল্ম অসিগী টাটইল সোং ইবগীদমক বেষ্ট লিরিষ্ট এৱার্দ অমদি ফংখি। ইবা হায়বসি তাইবঙ শেন্বা মপুগী খুদোল অমা য়াওদ্রগদি ইবা ৱাবা থবক অমনি হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। ঙসি মীয়াম্না অইবা অমা ওইনা মশক খঙবিরিবা অসি তাইবঙ শেন্বা মপুনা পীবিরকপা খুদোল অমনি হায়না খনবা মীশক অমনি। মীনা মীবু নুংশিবা, ঙাকপিহৈবা, অচুম-অরান খঙবা ঙম্বা অমদি ধর্ম্ম লৈবগা লোয়ননা তাইবঙ শেন্বা মপুনা পীবিবা থৌনা অদুনা ইবা ঙম্বনি হায়বসিসু মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি। অইবা অমগী পুন্সি হায়বসি তশেংনা অৱাবনা চাদা ৯০নি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মণিপুরদা অইবা অমা ওইবা হায়বসি পামজরুবনা ইবা হায়বদুনি। মার্কেটসু য়াম্না পীকপা, ইবগী অৱামলসু কয়া ফংদবা, লোয়ননা পাবিনবসু লৈতবা অমদি পাবিয়ু হায়না লাইরিক খুদোল ওইনা পীরবসু হরাওনা লৌনরবসু টেবলদা, উপুদা, রিদিং রুম অমদি দ্রোইয়িং রুমদা তাদুনা লৈবা কয়ানি। তশেংনা হায়রবদা ঙসিসু ঐখোয়গী লমদম অসিদা পাবিনবা মশিং য়াম্না ৱাৎলি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা অইবা অমনা ইনবা হোৎনবা হায়বসি অচৌবা লানফম অমনি। ঙসি ফাওবদা মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা ফিল্ম ৪০, দ্রামা ৫০, টেলি প্লে ২০ অমদি ঈশৈ ১০০ হেন্না ইরমখি অদুবু হিংনবগী লম্বী অমা লৈতবগুম ওইনা অদুমক খাঙনা অমদি খঙনা-খঙনা হিংখিবা অইবা অমনি।

ঙসিগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংনসু থবক অমা হৌরকপা মতমদা কৎথোকপা অমা মথৌ তাই হায়বসি মহাক্না য়াম্না তোয়না হায়বিরম্বা ৱাহৈ অমনি। কৎথোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনরবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মদুগী মহয় শোদনা ফংগনি হায়বসিসু মহাক্কী মহৈরোয়শিংদা অদুমক তত্তনা হায়বা ৱাহৈ অমনি। পুন্সি হায়বসি নাকল অমরোমদা করিগুম্বা খরা ফংবা অদুগা নাকল অমরোমদা ফংদবা হায়বসি হৌনশানি অমদি মহাও অমসুনি। মরম অদুনা ঐখোয় মীওইবনা ৱাফম থোক্তে, তৌবতবু হোৎনবদি লেপ্পা য়াদে। ইববু পামজবা মীওইশিং অসি তশেংনা লৈত-লায়রবা মচানা অয়াম্বা ওইগল্লি। ইবগী মৈচাক অসি লৈত-লায়রবনা পোকহনবরা হায়বসিসু খনবা য়াবা ৱাফমনি। অদুবু ইবা পাম্মী হায়দুনসু মদুদা অদুমক ঙাওদুনা লৈবসু য়াবা নত্তে। হিংনবগী লম্বী অমসু য়াৎতবা অমদি থমদবা য়াদে। হিংনবগী লম্বী অমা লৈরগদি পামজরিবা ইবগী থবক অদু অমুক্কা হেন্না ফজনা ইবা ঙমগনি। পুক য়াওদ্রবদি তুং কোইনা থবক তৌবা ঙল্লোই। তৌবতবু অপাম্বা অদুদি তৌবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা হকচাং নাদ য়েক্তনা লৈনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই তত্তনা হায়রম্বা মীশক অমনি। হকচাং শোল্লবদি অপাম্বা থবকশিং তৌবা ঙল্লোই। য়েক্লবা থম্বগী মহুৎতা য়েক্লবা অদুবুসু মতম শাংনা হিংনবা লাইখুরুমশি। পুন্সিগী মখা তারকপদা তোপ-তোপ্পা একাদেমি অমসু লিংখৎপা পামজরম্বা মীশক অমনি। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াবুসু মহাক্কী অরোইবা মতম লাক্লমদাই ফাওবদা তাকপী-তম্বীবগী থবক খক থাদোক্লমদবা মীশক অমনি। লোয়ননা লমদম অসিগী মীওইশিংনা দিপ্রেসনননা নারবা মীওইশিংবু ঐখোয় পুন্নমক্না সপোর্ট তৌবিসি অমদি দিপ্রেসন্না নারে হায়দুনা ইকায়বা লৈগুমসি। মসিসু লায়না অমনি, অদুবু মতম চানা লায়েংলবদি য়াম্না লাইনা ফবা ঙম্মি হায়বসি খঙমিন্নসি হায়বা মহাক্না পীরম্বা পাউজেল ঙসিসু অদুমক লৈহৌরি। শক্লাইরবা অইবা হেরোজিৎ নাওরোইবমনা হিংলিঙৈ মতমদা য়ূমদা অমুক্তং চা থকমিন্নসি হায়বিরকখিবদু চৎপা ঙমহৌদবগী অৱাবা অমদি অদুমক লৈহৌরগনি।

**ডা. খাইদেম অথৌবা**

## শৈশকপী সনধাম মাইচোনগী *কেক্রু লোৎপী* ঈশৈ ফোঙখ্রে




ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): নৌনা ফাওগৎলক্লিবী শৈশকপী সনধাম মাইচোন অমদি শৈশকপা অর্বিন অনীনা শকপা ঈশৈ *কেক্রু লোৎপী* ওদিও সী দি ঙসি খাবম লমখায়দা শক্লাইরবা এক্টর অথোকপম গোকুলনা ফোঙখ্রে।

কেক্রু লোৎপী হায়রিবা ঈশৈ অসি পারস নোংমাইথেমনা পুথোকপনি। ঈশৈ অসিগী অইবনা সঙ্গীতা নোংনি অদুগা ম্যুজিক দিরেক্টরনা সুরমনি (রিশি)না তৌবনি। কেক্রু লোৎপী ওদিও সী দি কেসেট অসিদা শৈশকপী সনধাম মাইচোন অমদি শৈশকপা অর্বিন মখোয় অনীগী পুন্না ঈশৈ ১০ য়াওই। ঙসি ঈশৈ ফোঙবগী থৌরম অদুদা লমদমসিগী শক্লাইরবা অইবা মোইরাংথেম দেবেন্দ্র, শক্লাইরবা এক্টর অথোকপম গোকুল অমদি মণিপুর প্রেস ক্লবকী সেক্রেটরি লাইশ্রম প্রিতম এলিয়স লৈচিলনা মথংশিংনা দেজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

কেক্রু লোৎপী ঈশৈ ফোঙবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা শক্লাইরবা অইবা মোইরাংথেম দেবেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, ঈশৈ হায়বসি মীওইবগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অমা লৈনৈ। অঙাং তূম্বা থেম্বা ফাওবদা ঈশৈ শক্তুনা থেম্নরিবনি হায়খি। এক্টর অথোকপম গোকুলন হায়, ঈশৈ অসিদা ফিল্মদা হাপ্পা য়াবা ঈশৈ য়াওরল্লবদি ফিল্মদা শোয়দনা য়াওহন্নবা হোৎনগনি অমদি আর্টিষ্ট অমা ওইরবদি কৈদৌঙৈদা ঐনা মহেল্লে হায়না চৎলোইদবনি হায়খি।

## ꯍꯪꯃꯤꯟꯕꯥ / Ph.D. AWARDED



**Mr. Loitongbam Gyanendro Singh** of Soibam Leikai Ayangpalli Road, Imphal East District has been conferred the degree of Doctorate of Philosophy in Computer Science & Engineering by Indian Institute of Technology Guwahati, Assam on 17th June, 2022 for his thesis title **"Sentiment Analysis of Tweets on Societal Topics"** under the Supervision of Prof. Sanasam Ranbir Singh, Indian Institute of Technology, Guwahati.

He had published his research work in peer-reviewed journals such as IEEE transectoins on Computational Social, Journal of Intelligent information Systems, and in top-tier international conferences such as EMNLP 2020, TENCON 2017, COLING 2016.

Presently he is working as a Postdoctoral Research Fellow in the School of Electronics and Computer Science, University of Southampton, United Kingdom.

We wish his success in all the future endeavours.

With Best wishes from family and friends,

**Loitongbam Loken Singh** (Father)
**Loitongbam (O) Genny Devi** (Mother)
& All well-wishers.

HL-P/3149/25

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।০৬।২০২২ ইং, থাংজ;
ইঙাগী ২৭ নি পানবা।

মেষ: ঙসিসু লাইবক ফবা, মরুপ-মপাং অফবা ফংবা, থবক পাঙবা অমদি অয়েৎপা কোকচবা নুমিৎনি। চিংনবা, লৌশিং ফুদোকপা ৱাবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: হরাওবা নুংঙাইবা, মীয়াম্না চানবীবা, য়েক্লবা লৈরম্লসু লায়না মায়থিবা পীবা ঙম্বা নুমিৎনি। অরাপ্পা চৎপদা মহু চাওবদগী চেকশিনগদবদি ওই-পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: নক্লবনা ইনশিনবা লৌবা য়ারোই অমদি অনমসু তানগনু-কোক শাগনি। নীংথিনা খন্থবনা খ্বাইদগী হেন্না ফগনি অমদি থৌনা ফুদোকপদি মতাং চাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কর্কট: হকচাং নুংঙাইজবা, নীংবা মপা চাবা, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা অমদি কিদবনা কান্নবা হেন্না ফংগদবা লৈ। অফা-অপুনগী থবক্তদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: নাইতোম পাঙবা থবক্তদি নীংবা থুংবা ৱাৎলসু মীগা পুনবদদি চাওনা মায় পাক্কনি ।হন্থবা লোয়নরবা অমদি মীৱা থাজরবদি ফত্তবা থবক্তা পামগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা লৌখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: অৱাবা খরা মায়োক্নরসু মমৈদা নীংবা থুংগনি, মীয়াম্না পাম্বা থবক পাঙবদা চাওনা কান্নগনি। পাঙগে খনখ্রবা থবক্তা নীংহন্নগনু-মায় পাকপা শোয়রোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

তুলা: নীংবা শোয়দনা থুংগনি-অফবা থবক পাঙহৌরো। শেন্দোং তানবা থবক্তা খুৎচাও থাহৌরো অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নগদবা নুমিৎনি। ফিংবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃশ্চিক: লাইবক ফবা ঙসিসু লৈ, মীচঙ খোম্বা মতাং চাগনি, অনৌবা থৌরমদা খুৎচাও থাবা য়াগনি। লান্দা লাল্লুগনু শোয়দনা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবা পামগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: পুক্লিং ফাথনা ঈংনা থৌ পাঙউ-নাপল থাদোকউ। মীতোপ্তগী চেকশিল্লু-অকাওবনা নচা-ননাই ময়েং তাবা য়াবা লৈ। লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নোল্লুক্লা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: অফবা মফম ফংজবা, মীনা লাকচবা ঙমদবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওবা নুমিৎনি। শেন্দোং তানবদি মতাং ইচা-চারোই, ৱা ঙাঙবসু চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মহৌশাগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কুম্ভ: মায় পাক্কনি-থাজবা অমগা লোয়ননা মাঙলোমদা চঙশিল্লু। থাজদনা নক্লবনা য়েৎপা অমদি লাঙতক্লবনা খুরৌ থাংবা নুমিৎনি। লাঙতক্লগনু অমদি ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিন: খাঙবা কনবা, মীৱা থাজদবা অমদি খুৎ চাওদবনা মাঙগদবা কয়াদগী লায়না কঞ্জগনি। ইমুং-মনুংগী ৱা নৎত্রগা লুনা তীন্নবা মরুপকী ৱা তাউ-মাঙবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# খোঙ কারল চল্লগা ফম্বনা

## ঈ ফমজিলহন্দুনা খুদোংথিবা থোকহল্লি

**৭ লৌশিং পুক্কে**

ফম্বা মতমদা খোঙ কারল চনবনা ঙাইহাক্কী ওইনা কম্ফোর্টেবল ওইবা মালহল্লবসু হকশেলদদি চাউনা খুদোংথি-নিংঙাইনি। অখঙ-অহৈশিংনা থিজিনবদা খোঙ কারল চল্লগা ফম্বনা খ্বাঙ নাবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহল্লকপা অমদি ঈ ফমজিলহনবা য়াওনা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই হায়বা খঙলে।

খোঙ নাম্মগী মথক্তা অতোপ্পা নাম্মা থাঙ্গৎলগা কারল চন্দুনা ফম্বা মতমদা খোঙদগী ঈ পুন্নমক থবাকলোমদা কাখৎলকই। মসিনা মরম ওইরদুনা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহল্লি। নুমীৎ খুদিংগী পুং ৩ হেন্না খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা মতমদা খ্বাঙ, ঙকশম অমদি নিংজোল নাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লি। য়াঙলেন শরুক কোন্থবা মরম্না হকচাংগী ফীভম (পোসচর) সু শোয়হল্লকই।

শিংলিদা কা হেন্না প্রেসর পীশিনবদগী ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা ঈ উতোংগী মপাঙ্গল শোন্থহল্লি। খোঙদা ঈ য়াম্না পৈশিল্লকপদগী শিংলি পোমখৎলকই। মতম শাংনা খোঙ কারল চল্লগা ফম্লবদি পেরোনিয়ল নর্ভ পেরলাইসিস নৎত্রগা পালসি ওইহল্লকই। পেরোনিয়ল নর্ভ অসি খুঁউ মখাদা লৈবা মরুওইবা নর্ভ অমনি।

কনাগুম্বা মীওই অমা মতম শাংনা খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা তারবদি পেরোনিয়ন নর্ভতা প্রেসর হেনগৎলকই। মসিনা মরম ওইরদুনা খোঙ অমদি খোঙয়াগী মশলশিং পঙথহল্লকই। কনাগুম্বা মীওই অমনা হকশেলগী লমদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবনি হায়দুনা নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা শাজেল তৌবগা লোয়ননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চায় অমসুং নুমীদাং খুদিংগী মপুং ফানা তূম্মী। অদুবু ফনা য়াম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু তৌরোইদবা খরদং হেক তৌরুবা মতমদা হকচাং ফবা ঙমদে।

'ব্লদ প্রেসর মোনিটরি' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা কনেষ্টিক্টকী কার্দিওলোজিষ্ট ষ্টিফেন টি সিনাট্রানা হায়খি, খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা মতমদা সিষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর চাদা ৭ অমসুং দাইষ্টোলিক ব্লদ প্রেসরনা চাদা ২ ৱাংখৎহল্লি। সিষ্টোলিক হায়বসি বি পিগী মথক থংবা রিদিং অদুনি। দাইষ্টোলিক হায়বসিনা মখা থংবা রিদিংনি। কনাগুম্বা মীওই অমগী ব্লদ প্রেসর ১২০/৮০ ওইরে হায়না লৌবা মতমদা সিষ্টোলিকনা ১২০ নি অমসুং দাইষ্টোলিকনা ৮০ নি।

ডা. সিনাট্রানা হায়খি, মিনিট ১০ দগী হেন্না খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা মতমদা কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মরম্না পুংখায় খুদিংগী ঙাইহাক ঙাইহাক হৌগৎলগা খোঙকাপ অমা অনী চৎকদবনি। অতৈ অতোপ্পা অশোয়বা থৌওংশিংগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, খুঁউ অনী লোনশিন্নরগা খক লেপ্লোইদবনি। মতৌ অসুম্না লেপ্পা মতমদা খুঁউ তাঙগী অকোয়বদা প্রেসর পীবা হেনগৎলি। কেলিফোর্নিয়াগী অর্ৱিনদা লৈবা হোগ ওর্থোপেদিক ইনষ্টিট্যুটতা ওর্থোপেদিক স্পেসলিষ্ট ওইনা লৈবা দেবিদ দল্লিয়ু ক্রুজনা হায়খি, তাঙ-তাঙ খুদিংমক অকোয়বগী মশলশিংনা ঙাক্লৌ পীরিবনি। খুঁউ অনী লোনশিন্নরগা লেপ্পা মতমদা খুঁউ অকোয়বগী মশলশিং মথৌ নীংথিনা তৌদে। মসিনা মরম ওইরদুনা তাঙ-তাঙদা প্রেসর পীবা হেনগৎলকই। য়ারিবমখৈ লেপ্পা মতমদা খুঁউ কোল্লপ লেপকদবনি। অমরোমদা, হোগ ওর্থোপেদিক ইনষ্টিট্যুটকী স্পাইন সর্জন রিচার্দ লীনা হায়খি, তূম্বা মতমদা য়ারিবমখৈ উপ্না হীপ্লোইদবনি। উপ্না হীপ্লগা মোন খাঙবা মতমদা ঙকশম থেক্তোকপা মরম্না ঙকশম মরী নাবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।



অতোপ্পা অমনা খ্বাঙদা বেল্ট ফাবা মতমদা য়াম্না চিন্না অমসুং ক্রক-ক্রক লাকশিন্না খক ফারোইদবনি হায়রি। লোস এঞ্জেলিসতা লৈবা সেন্ট ভিন্সেন্ট মেদিকেল সেন্টরগী চীফ গ্যেষ্ট্রোইন্টরোলোজিষ্ট পেট্রিক টকাহাশিনা হায়খি, কা-হেন্না চিনবা মওংদা বেল্ট ফারবদি চাকখাউদা প্রেসর পীবা মরম্না এসিদ রিফ্লক্স তৌহল্লকপা য়াই। মসিনা মরম ওইরদুনা খনাউদগী অশীনবা থোরকপা, থবাক শাবা, পূক নাবা, লোক খুবা অমদি চাক য়োৎপদা নুংঙাইতবা থোকহল্লকপা য়াই।

গাড়ী থৌবগী মতাংদা ডা. সিনাট্রানা হায়খি, মতম শাংনা ফম্লগা গাড়ী থৌবা মতমদা ঈ ময়াম খোঙগী শরুক্তা পৈশিল্লক্তুনা থম্মোয়গী লায়না পোকহল্লকপা য়াই। লম শাংনা গাড়ী থৌগদবা লৈরবদি লমখাংদা ঙাইহাক খাল্লগা কুমথদুনা খোঙকাপ অমা অনী হঙ্গৎ-হন্দা চৎকদবনি। অতৈ অতোপ্পা তৌরোইদবা থৌওংশিংদি তূম্বা হেক হৌগৎপগা তীংলি-য়াঙলিবা, খোঙ হাম্নিংবা নৎত্রগা মপান থোক্লিংবা খাঙজিনবা, চ্যুৱিং গম চাবা অমসুং নুমীৎ খুদিংগী চপ মান্নবা মওংদা লেংবান নাম্মতদা অরুম্বা বেগ য়াল্লগা চৎপা অসিনচিংবনি। হকশেলগীদমক তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা থবক মচা মশুশিং মুন্না খঙদোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে